# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১৩০

**ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম**

*মণিপুর* থোইদোক-হেন্দোক্লা ইন্দিয়াগী মনুংদা অপিকপা ষ্টেট অমনি। মসিমক পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদগী তোপ তোপ্পা শক্তম অমা ঙসি ফাওবা চত্থরক্লি। অপিকপা ষ্টেট অমা ওইজরবসু হীরম খুদিংমক্তা ইন্দিয়াগী মনুংদা ঙসি ফাওবা থাজদনা মশক নাইরবা লমদমসিদা পোকপা, লমদমসিদা চাউরকপা মীওই কয়াগী পুন্সিগী পুৱারীদা মালেমগী শক্লাইরবশিংনা অকিবা-তুজুংবা পোক্তবা নত্তে। রাজনিতি, ধর্ম্মনিতি, অর্থনিতিনচিংবা খুদিংমক তোঙান তোঙানবা শক্তম কয়া ঙসি ফাওবা লেঙদনা লৈজরিবা লমদম অমনি। মণিপুরী মীয়াম লাইরিক-লাইশুগী লম্দসু ইন্দিয়াগী চাউর-চাউরবা ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবদা হীরম খুদিংমক্তা লেমজনফম ওইরিবনি।

ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সকী লৈঙাক পথাপকী লম্দা মশক নাইরবা মীশক কয়াগী মনুংদা নেতা ইরাবতকুম্বা কনাবু য়াওবগে? মতম অমগী লৈঙাক, মালেমদা ওইরকখিবা ঈহৌ কয়াদা পিকচরবসু মণিপুর তোপ-তোপ্পা মফম অমদি কন্দুনা লাকখিবা ইন্দিয়াগী মনুংদা নোংপোক থোং ওইরিবা মফম অমনি। কুমজা ১৯৮১গী লানগী ৱারী নীংশিংমিন্নবা তঙাইফদবা লৈতবা নত্তে। মতমদুগী নোংমৈ, বোম, টোপ কয়াগা ঐখোয়গী থাঙগা শিবা কিদনা মায়োক্লখিবা, মসিগী মথক্তা শাংলবা ৱারী কয়া লৈতবা নত্তে। নিংথৌ পাল্লিঙৈদা থেংনরকখিবা কয়া পুৱারীদা লেংদনা লৈরি। মতমদুগী শেঙ্গাও পায়বা কয়াগী শুপ্নমগী লৈঙাক্তা মায়োক্লখিবা থৌনা লিংজেল নীংশিংমিন্নবা মথৌ তাদবা নত্তে। মসিগী মথক্তা পুৱারীদা মুৎনাইদনা লৈরিবা নুপী লাল মৈ, ঈশিংনা চামদুনা কৈদৌনুংদা মুত্থৎপা য়াররোই। মতমদুগী নিংথৌগী লৈঙাক মতমদা মায়োক্লরকখিবা নেতা ইরাবতকী পুন্সি ৱারী নীংশিংদবা য়াররোই। নিংথৌগী লৈঙাক্কী মতমদা লৈনরম্বা থৌনা ফবা পাম্বশিংগী শরৌ লাংদা মণিপুরীশিংনা মায়োক্লখিবা শিবা কিদনা থেংনরকখিবশিং নীংশিংবগী লোইবা খম্বা নাইদ্রবা ৱারী কয়ানি। নিংথৌগী লৈঙাক মুত্থৎখ্রবা মতুংদা মণিপুর ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরবা গনতন্ত্রগী লৈঙাক্কী মতমদা থেংনরকখিবা কয়া লৈতবা নত্তে। নিংথৌবু নমদুনা খূৎয়েক পীহনখিবা কয়াগী ৱারী-ৱাখোঙশিং পুৱারীদা নাথৈবা খক য়াররোই। মীওইবা ফুরুপশিংগী মনুংদা খাঙবা কনবা, অচুম্বগীদমক হনবা নাইদনা, অকি-তুজুং য়াওদনা থেংনরকখিবশিং, মায়োক্লরকখিবশিং পাউদম্বনা ৱাৎলগদবা কয়ানি।

ঙসিদি মণিপুর ইন্দিয়াগী গনতন্ত্রগী ফিবান্নুংদা লৈররে। অদুম ওইনমক নীংবা কায়রবা মণিপুরীশিংগী থৌনা-লিংজেল ঙসিসু হনবা লৈত্রি। পিকখ্রবা লমদমসিনা ঙসিসু ইন্দিয়াগী চাউর-চাউরবা, খঙ-হৈরবা কয়াগা লেপ্তুনা লাম্নেংনরি। কুমজা ১৯৪৭তগী ঙসি ফাওবা চহী ৭১ রোম অসিদা লমদমসিদা চত্থরকখিবা লৈঙাক্কী পুৱারী ময়েক শেংনা মীয়াম্না থেংনরি। ঙসিগী গনতন্ত্রগী শেঙ্গাও পায়বগী লৈঙাক অসিদা থেংনরকখিবা ঐখোয় ইরৈচাশিংগী হনবা নাইদ্রবা, শিবা কিদ্রবা, অচুম্বগীদমক কত্থোক্লরকখিবশিং পাউদম্বনা ৱাৎলগদবা ঙাক্তনি। শাংলবা অসিগুম্বা লৈঙাক অসিগী মখাদা খাঙনরকখিবা থৌনা লৈরবা মীখা পোনবা হৈনজদ্রবা থৌমী কয়া খাঙুথক্তা মাঙলিবশিং কয়াগী পুৱারী নীংশিংদবা খক য়াররোই।

অসিগুম্বা কয়াগী ৱারী তারুরগা তাক্লরুবা-হৌনরুবা য়াওদনা লমদমসিদা পোকচবা, লমদমসিগী লৈহাওদা চাউজরক্লবা নহারোল কয়াগী লালহৌ লূপ মশীং খঙদনা লৈরক্লিবা অসি খন্থরুরগা নুংশা শ্বর ফুনদনীংঙাই লৈতে। মীওইবগী পুন্সি অসি মশা মশাগী খুদোংচাবা ওইজনাম, লৌজনাম, নপচনাম হায়বসি থাদোক্লদবা য়াদ্রবগুম মাংলমচৎতগী ঙসিসু মশীং য়াম্বা হেনগৎলক্লি। মসিগী মথক্তা অচুম্বগীদমক কত্থোকপা ঙম্বা মীগী মশীং নোংমা-নোংমগী হন্থরকই। অদুবু অচুম্বা হায়বসি কৈদৌনুংদা মাঙহনবা, মুত্থৎপা খক য়াররোই। মণিপুরীশিংগী মরক্তা অচুম্বগীদমক ১০০গী মনুংদা ২০দি লেঙদনা হিমালয় চীংজাওগুম লৈরি। মণিপুর ইনিদয়াগী মনুংদা তিল্লুবদগী নীংবা কায়রবা নহারোল কয়া লৈতবদি নত্তে। মসিগী খুদম পিকখ্রবা মণিপুরদা লালহৌবগী ঈহৌ মশীং খঙদনা চোঙথোরকপা মীয়াম্না ঙক্তবা ঙমদে। ইন্দিয়াগী শুপনম লৈঙাক অসিনা ঙসি ফাওবা চত্থরক্লিবা লৈঙাক পূম্নমক খঙনা-খঙনা, উনা-উনা মীয়াম খাঙলি। আইন্দগী চৎনবীনা হেনগৎলকই। লালহৌবগী ঈহৌ নমথনবগী হোৎনবদা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়াগী পুন্সি মশীং খঙদনা হাৎতোকপীখিবশিংগী ইমুং মনুং, মরী-মতাশিং মরোল থোক্তুনা খাঙনরি। মীওইবগী থম্মোয় কিহন-খংহন্দুনা থম্নরি। অসিগুম্বা লৈঙাক অসিনা মীওইবশিংগী থম্মোয়বু মপূং ফানা খুদুম চনবা য়ারগদ্রা? ৱাহংদি মশীং খঙদনা লেপ্তুনা চোঙথোরক্লি। মসিগী পাউখুম পীবিনবদি ঙসি ফাওবা মতিক চাবা মীশক থোরকপা ঙমদবগুম ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবগুম লৈরি। নুংশিৎসু শিৎলি, উনাসু লেঙলি। মণিপুরী য়াওনা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা য়াম্না ৱানা খাঙলিবা অসিগী পাউখুম পীদনা অসুম খাঙখিগদ্রা? মাঙহনবা খক য়াররোই, মুত্থৎপা কৈদৌনুংদা ঙল্লরোই। তূমদুনা লৈরিবশিং নোংমদি মীকপ থোরক্কনি। মসিগী মথক্তা তূমদনা অতূম্বা শাবা, খঙনা-খঙনা, উনা-উনা খাঙলিবশিং খাঙবা ঙম্বগী থৌনা লৈরক্তবা মতমদা ওল্লকপদবা-ওইরক্কদবশিং চনীং তানা খন্থমিন্নবা মতম য়ৌদ্রিবরা?

লৈঙাক অমা চৎখি। লৈঙাক অমা লাক্কনি। মীওইবদি অমত্তা ওমর নত্তে। মীনা শিবনা চিন্দনি, শানা শিবনা খোঙ্গুলদনি। ঙসিদি ২১শুবা চহী চাগী চাওখৎলবা মায়ওন অমদি লাক্লে। অসি য়ৌনা অহোংবা লাক্লবা ফাওবদা খঙনা-খঙনা ইশা-ইশাগী ওইজনাম, লৌজনাম, নপচনামদা কয়াম কুইনা খাঙখিসিগে, খাঙবা ঙম্বগী থৌনা মাঙশিল্লক্তুনা অফবনা ফত্তবা ওল্লক্লবদি মদুগী অৱাবা পূম্নমক্কী ওইরক্লোইদ্রা? ঙসিগী কম্প্যুটরগী খম থেংনা চাওখৎলবা চকসিদা মখল-মখাগী তুম্না মাঙহনবা য়াবা অকি-অকিবা খূৎলানা মশীং থিঙমদনা লৈরবা চক অসিদা ওৎলৈ-পারৈ তৌদুনা কয়াম কুইনা খাঙমিন্নখিসিগে।

ইন্দিয়াগী মনুংদা লিশাং শিৎনা লৈঙাক্লকখিবা কোংগ্রেস ঙসিদি হিংলি হায়বতা মঙাইরে। পোলিটিকেল পার্টিশিংসু মশীংদি অসুম অসুম য়ামখৎলকই। মাগী মাগী অপাম্বা অনীংবদি গনতন্ত্রগী থৌনা, মতিক ময়াই, ফজ-ফজরবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরকই। মসি পূম্নমক মীওইবগী শিরমদাইগী খোঙ্গাওনি। মাগী মাগী অপাম্বা অনীংবদি মশীং খঙদনা লৈবা য়াই। মসিসু চেনবা য়াদনা চুল্লবনি। কায়নথংদা ঐখোয়না থেংনগদবদি অনীখক্তনি। অনীদুদি অমনা অচুম্বা অদুগা অতোপ্পা অদুনা অরানবনি। মণিপুরদা কোংগ্রেসকী লৈঙাক লিশাং শিৎনা লৈখ্রে হায়বসি ইন্দিয়া পূম্বনা খঙনখ্রে। কোংগ্রেস লৈঙাক্লা মপান ফরিঙৈদা লেপশিনখিবা লন থুম কয়ানা ঙসি লৈজবী থাদুনা মচা-মশু, মরী-মতা, ইমুং মনুং পূম্নমক পুল্লরে। পোলিটিক্স হায়বসি মালেমদা খ্বাইদগী মচিন থিবা, ইকায়বা খঙদবা অমা ওইরক্লে। মসিমক অফবা অমা ওইরক্লরোই। মসিগী মখা তারকপদা লৈরম্বা পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক নুংশা মঙালদা লেন মাঙখিবগুম মরোমদোম মাঙজখ্রগনি। অদুবু কোংগ্রেসকী লম্বী অমদি থোরক্লে। ঙসি ইন্দিয়াগী মনুংদা শেঙ্গাও পায়দ্রবদি পোলিটিকেল পার্টি লীংবা য়ারক্ত্রবা মতমসিদা বি জে পিসু ঈংনা চিক্লা মতম শাংনা শেমগৎচরকপদুগী হোৎনজমন শেঙ্গাও থারক্তুনা চহী ৬০/৭০গী তুংদা কোংগ্রেসকা লম্বা তৌনরকখি। মসিমকসু ইচম চম্বা অমদি ওইরোইদৌরি। মতম শাংনা চহী লিশাং শিৎনা হোৎনরকপা মশক থোক্লা হীরম খুদিংমক্তা লম্বা তৌররে। পোলিটিক্সতি পোলিটিক্স অদুম তৌরি। মতম শাংনা তুং-মাং য়েংলকপগী মীয়ামগী ঈহুল খঙনা শেল-থুম, ঙাঙবা-শকপা কারক হোহন্দনা ঙাঙখৎলকই। মীয়াম ঙাওহল্লরি। থবক্কী মতম য়ৌরবা চিরবা তাঞ্জাসিদা ঙাঙবগী থৌনা মশীং থিঙমদনা ৱাংখৎলকই। ঙাঙবগী মথক্তা থৌনা মপূং ফানা হেনগৎলকই। ২১শুবা কম্প্যুটরগী চকসি তরাইদে। লুপা অমগী মথক্তা লুপা লাক্ষকী থবক পায়খৎলকই। বি জে পিগী লুচিংবা মোদিজিনা ইন্দিয়া হেক্তা ওন্থোক্কদবগুম ঙাঙলকপা মীয়াম্না থাজদবা ঙল্লমদে। অদুবু চিনগা খূৎকা মান্নহনবা তরাইদে। ঙসি ফাওবা ঙাঙলি। কুমজা ২০১৯গী পার্লিয়ামেনটকী ভোট মমাঙদা করি তৌরক্কদগে হায়বদু য়েংগদবগী ঙাইনরি। শেনয়েক লুপা লিশীং অমা চৎপীদগী লুপা লিশীং অনী চৎপী ওন্থোরকই। ভোটকী মতমদা লুপা লিশীং ২চৎপীনা খুদুম চল্লকখি। চহী লিশাং শিৎনা মীয়াম্বু হোইদুনা পুরল্লবা মতুং অমুক নাথৈখিবা করিসু ঙকনীংঙাই ওইখিদে। মসিনা তাকপদি মীচম মীয়ামশিং শেল অমদি মতিক ময়াইনা খুদুম চনবা য়ারে হায়বসি খঙনরক্লে। ঙসি ফাওবা শাংলবা এম পিগী ভোট শেলগী থোং লানখিদে অদুবু কুমজা ২০১৯গী এম পিগী ভোট অসিদা অনৌবা পাড়া অমদি বি জে পিগী লুচিংবা মোদিগী ৱাজাওগী মথক্তা শেলগী থোং শারক্কদ্রা হায়বা মীয়াম্না য়েংগদবগী ঙাইনরি। মসি পূম্নমক্কী মথক্তা কোংগ্রেসকী এম পি কেন্দিদেট তরাইররোই।

মপূং ওইনা পোলিটিক্সকী ৱাজাও ঙাঙবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকই। ঙাঙলমদবা মীনা ঙাঙলকপা, তৌরমদবা মীনা অসুম তৌখৎলকপা, মতম অমদা লৈঙাক্কী লুচিং পুরেল ওইরম্বা কয়ানা অচুম্বা শারদুনা হিংচাবীনা শরি শোনবগুম ফজ-ফজবা কয়া ঙাঙথোরকপা, ঙরাং নহানতা অচুম্বা তৌনি হায়না মীয়াম মাঙদা লাউরম্বশিং হেন্না ওন্ন-তৈনবা থবক পায়খৎলকপা নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। মসিদা মীয়ামনা করম্বা পার্টিগী ৱাবু লৌগদৌরিবা। ঙসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিং পূম্নমক মরূ ফংনা মাঙহনবা ঙম্বা মীশক থিনরক্লবদি ন্যুক্লিয়র ৱার লাকপা তাবনি। মতম অদু লাক্লবা শিনবীদবা ফগনি। অদুবু মতম অমদা শেঙ্গাও পায়বা মীহাৎ-মীপূন ঙম্বা কয়ানা থৌনা শীজিন্নখ্রবসু ২১শুবা চহী চাসিগী খমথেংনা চাওখৎলবা মতমসিদা অচুম্বগী মায়কৈরোমদা পূক্নিং চঙবীবা মতম ওইদ্রিবরা। চহী অনীরোম চঙশিল্লক্লবা মতমসি ফাওবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা মশক থোকপা থবক খরদি উৎথোকপা ঙমদ্রিবসি নুংগী ওইবা করি অরোনবা লৈরিবগে। শেঙ্গা থুমজাদা চেন্নবশিং, অরোনবা মীহাৎকী মরী লৈনবশিং অমত্তা ফাগৎপা ঙমদ্রিবা অসিগী ইমুং-মনুং, মরী-মতা কয়াগী থম্মোয়দা করি খল্লমগনি। অচুম্বগীমক অরানবনা খুদুম চনবা হায়বসি মতম খরগীনি কয়াম কুইনবু লৈগবনো। অচুম্বগীদমক লৈরিবা, অচুম্বা পাম্বা এম এল এ খরদি শোয়দনা য়াওরমগনি খল্লি। য়াওফমসু থোকই। মরম অদুনা চোঙথোক চোঙশিনগী আইন থুপচিনখিবসি মীয়াম্না খঙনদ্রবসু পোলিটিক্স তৌবিরিবশিংদি নুংগী ঈচেল খঙনবা ঙাক্তনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৬

১। মণিপুরী পুৱারীদা হৈক্রু হিদোংবা হায়বসি য়াম্না চাউনা হিয়াং কুম্মৈগা লোয়ননা পাঙথোক্লি।
(ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী কুম্মৈ অসি চত্থরকপগে?
(খ) তেংমায় লেপ্লিবা মীওই অনীদুনা শিরিবা চেং পরেং, হৈক্রু পরেংশিংদু চেং, হৈক্রু মশীং কয়া কয়ানো?

২। "চাউবসু কবিনি হায়বদা কনাসু য়েৎলোই। অদুবু কমলগা ফম্মিন্নবদদি য়েংবা নুংঙাইতে।" ৱাফম অসি কবি চাউবগী মতাংদা অইবা অমনা হায়রিবনি। অইবদু কনানো?

৩। "করিসু নত্তবা থবক্তা আ য়ৌশিন্না খঞ্জবা অসি ঐগী হৈনবীনি। অদুননি ঐনা ৱায়ার হেক হেক তৎলিবসি।" ৱাহৈশিং অসিনা অইবা অমনা মশানা ইবা 'নোংলৈ অমসুং চা কপ' হায়বদুদা হায়রিবনি। ৱারীমচা ইবদু কনানো?

৪। "পোলিটিকেল ওইবা ইসু অমবু মমায় খজিক লৈথোক্তুনা আর্টিষ্টিক টর্ন অমদা পুরকপা হায়বসি তরায়-তরায়বা খোরিরোলগী খূত্থা নত্তে। খোঙফম খজিক শোয়বদা কৈশুমশঙদা ফাদোক তাবা য়ারিবনি।" ৱারোল অসিনা অইবী অমনা নহা অইবশিংদা চেকশিন-ৱা হায়রিবনি। অইবী অদু কনানো?

৫। 'ঈপোম বাবু: পুন্সি অমসুং থবকশিং' কৌবা পুন্সি ৱারী লাইরিক্তুগী অইবদু কনানো?

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

মমি ৱারী

# 'থৱান্মীচাক অমদি মীহুল'

## প্রেমানন্দ নোংথোম্বম



ইমা কৈথেল



ইরেংবম মনীং



মপাল কাংজৈবুং



ইম্ফাল সিটি



ওইনাম



সনামহী টেম্পল

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*